
Ministry of
Health and Family Welfare
Government of India



## কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা ভোইনা হংবা থাহংশিং



### Q. মী খুদিংমক মতম চপ মান্ননা কোবিদ-১৯ তিকা কাপগদরা ?

**A.** ইহান হাল্লা তিকা থাগদবা খুদোংথিনিঙাই ওইবা কাংলুপশিং সরকারনা মশক খঙদোক্লে।

- অহানবা কাংলুপ্তা অনা-লায়রেংগী অমসুং মমাঙ থানা থবক তৌরিবা মীওইশিং য়াওরে
- অনিশুবা কাংলুপ্তা চহি ৫০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং অমসুং অতোপ্পা লায়না লৈবা মীওইশিং য়াওগনি
- মতুং তারকপদা, দরকার ওইবা মীওই খুদিংমক্তা তিকা ফংহনগনি

Ministry of
Health and Family Welfare
Government of India

my GOV
मेरी सरकार



# কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা **ভোইনা হংবা ৱাহংশিং**





**Q.** অতেনবা মতমগী মনুংদা পুথোকপা ওইবনা তিকা অসি অশোই-অঙাম থোক্লোইদরা?

**A.** মসি অশোই-অঙাম থোক্তবা অমসুং কান্নবদা যুম্ফম ওইরগা রিগুলেতোরি বোদিশিংনা অয়াবা পীরবা মতুং থক্তা লৈবাক অমদা তিকা শীজিন্নবা হৌগনি


**Q.** শুকশোই শোইদনা তিকা থাগদরা?

**A.** কোবিদ-১৯গী তিকা থাবা অসি মশাগী অপাম্বনি।

অদুবু, কনাগুম্বা অমা ঙাকথোক্লবা অমসুং লায়না শন্দোকপা থিংনবা মপুং ফানা কোবিদ-১৯ তিকা থানবা পাউতাক পীগদবনি।



# কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা ভোইনা হংবা ৱাহংশিং





**Q.** কোবিদ লাৱশ্বদগী ফরবা মীওইশিং তিকা থাবা দরকার ওইবরা?

**A.** মমাঙদা লায়না অসি লাথিবা লৎত্রগা লাদবা থিদনা তিকা মপুংফানা থানবা পাউতাক পীগদবনি, মসিনা লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বগী শক্তি হেনগৎহনবদা মতেং পাংগনি।

**Q.** কোবিদ-১৯ অনাবা মীওই অমা(চপ চানা থঙলবা/চিংনবা) তিকা থাবা য়াগদরা?

**A.** তিকা কাপফমদা লাকপা মতমদা মথোয়না ভাইরস শন্দোরকপা য়াবগী থুদোংথিবা হেনগৎলকপা মরম্না, পোজিতিপ ওইরবা লাইওং উৎপ্রবা মীওইশিং লুম্নিং ১৪গী মতুংদা তিকা থাগদবনি।

Ministry of
Health and Family Welfare
Government of India



## কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা **তোইনা হংবা ৱাহংশিং**




**Q.** তিকা মথল কয়া ফংলিবা অসিগী মনুংদা, কমদৌনা কাপ্পবা তিকা থনগনি?

**A.** তিকাশিং ক্লিনিকেল ওইনা চাংযেং তৌবদা ফংলকপা অশোই-অঙাম থোক্তবা অমসুং কান্নবগী দেতা অদু ড্রগস রিগুলেতরশিংনা লাইসেন্স পীড্রিঙৈ মমাঙদা য়েংশিল্লে। মরম অদুনা, লাইসেন্স পীরবা কোবিদ-১৯ তিকাশিং অশোই-অঙাম থোক্তবা অমসুং কান্নবদা চাংদম্নবা য়ানা ফন্ত্রে।


অদুবু, কোবিদ-১৯গী তিকাশিং হোংদোক-হোংজিন য়াদবা মরম্না, তিকা থাবগী থবক পুল্লমক শুপ্নগী তিকা মথল অমা থক্না মপুংফানা পাংথোক্কনি।

Ministry of
Health and Family Welfare
Government of India

myGOV



## কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা
## তোইনা হংবা ৱাহংশিং



**Q.** ভারতনা কোবিদ তিকা সেলসিয়স দ্রিগি +২তগী সেলসিয়স দ্রিগি +৮ফাওবগী মনুংদা থম্বা অমসুং দরকার ওইবা অইং-অশাগী মনুংদা মথোয় পুথোক-পুশিন তৌবা ঙমগদরা?

**A.** নৌনা পোকপা অঙাং মিল্লিয়ন ২৬ অমসুং মীরোনবী মিল্লিয়ন ২৯ তিকা থাবা ঙম্বা মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা তিকা থাবগী থবকশিং ভারতনা পাংথোক্লি।

লৈবাক অসিগী য়াম্লবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা মীওইশিং মপুংফানা তিকা থাবা ঙম্নবা থবক-থৌরমশিং মপাঙ্গল কনথৎহল্লে


Ministry of
Health and Family Welfare
Government of India

myGOV



## কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা

## ৱোইনা হংবা ৱাহংশিং




**Q.** ভারতা শীজিন্নরিবা তিকা অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা শীজিন্নরিবা তিকাশিংগুম ফবরা?

**A.** ভারতকী তিকা অসি অফবনি। অশোইবা-অঙাম থোক্তনবা অমসুং কান্নবা ফংনবা তোঙান-তোঙানবা ভাক্কশিংদা তিকাগী চাংয়েংশিং পাংথোকপা মরম্না ভারতা শীজিন্নরিবা তিকা অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংনা পুথোকপা তিকাশিংগুম অফবা ওইরক্কনি।


**Q.** ঐ তিকা থাবা য়াগদরা হায়বা কমদৌনা ঐ খঙগনি?

**A.** তিকা থানবা মক্ষম অমসুং মতমগী মতাংদা মথোয়গী রেজিস্তার তৌরবা মোইবাল নম্বরগী থুংথাংদা তিকা কাপ্পা য়ারবা মীওইশিংদা খঙহল্লক্কনি।

Ministry of
Health and Family Welfare
Goverment of India



কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা
**তোইনা হংবা ৱাহংশিং**




# Q. তিকা থানবা মিং চন্নবা করি চে-চাংশিং দরকার ওইবগে?

**A.** মখাদা পল্লিবা ফোতো য়াওবা শক্তাকচে অমা হেক্তা মিং চনবা মতমদা পুথোকপা য়াগনি:

- আধার/ড্রাইভিং লাইসেন্স/ভোত্তর আই.দি/পান কার্দ/পাসপোর্ত/জোব কার্দ/পেন্সন দোকুমেন্ত
- লেবর মিনিস্ত্রিগী স্কিমগী মখাদা পীবা হেল্থ ইন্সুরেন্স স্মার্দ কার্দ
- মহাত্মা গান্ধী নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ত গরেন্তি এক্ত(এমজিনরেগা)
- এম.পিশিং/এম.এল.এশিং/এম.এল.সিশিংনা পীবা ওফিসিএল ওইবা শক্তাকচে
- বেঙ্কশিং/পোস্ত ওফিসশিংনা পীবা পাসবুকশিং
- কেন্দ্র/রাজ্য সরকার/পব্লিক লিমিতেদ কম্পেনিশিংনা পীবা সর্বিস আই.দি কার্দ

Ministry of
Health and Family Welfare
Goverment of India

myGOV
मेरी सरकार



# কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা
# তোইনা হংবা ৱাহংশিং




**Q.** কনাগুম্বা অমনা মিং চন্দনা কোবিদ-১৯ তিকা থাবা য়াগদরা?

**A.** য়ারোই। কোবিদ-১৯ তিকা থানবা তঙাইফদনা মিং চনগদবনি। মিং চল্লবা মতুং থক্তদা, তিকা থাগদবা মফম অমসুং মতম থঙহল্লক্কনি।

**Q.** কনাগুম্বা অমনা তিকা থাফমদা ফোতো য়াওবা শক্তাকচে পুথোকপা ঙমদ্রবদি, মহাক তিকা থাগদরা?

**A.** তিকা থাগদৌরিবা মীওইশিং অদু মশক খঙনবা তিকা কাপফমদা অমসুং মিং চনবা মতমদা ফোতো য়াওবা শক্তাকচে তঙাইফদনা দরকার ওই।

Ministry of
Health and Family Welfare
Goverment of India



## কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা তোইনা হংবা ৱাহংশিং




**Q.** কমদৌনা তিকা থাবগী নুমিৎকী মতাংদা ই-পাউ ফংলগনি?


**A.** ওনলাইন্দা মিং চল্লবা মতুংদা, তিকা কাপ্পা য়ারবা মীওই অদুগী মোবাইল নম্বরদা এস.এ.এসতা তিকা থাবগী নুমিৎ, মফম অমসুং মতম ফংগনি।

**Q.** তিকা থাখ্রবা মতুংদা মথোয়গী তিকা থাথিবগী মতাংদা মীয়াম্না ই-পাউ ফংগদরা?

**A.** কোবিদ-১৯ তিকা থাখ্রবা মতুংদা, মথোয়গী মোবাইল নম্বরদা ই-পাউ এস.এম.এসতা ফংগনি। তিকাগী দোজ খুদিংমক কাপখ্রবা মতুংদা, মথোয়গী মোবাইল নম্বরদা কিউ.আর কোদ য়াওবা শক্তাকচে অমা থারক্কনি।

Ministry of
Health and Family Welfare
Goverment of India

myGOV
मेरी सरकार




## কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা তোইনা হংবা ৱাহংশিং


**Q.** তিকা কাপফমদা কনাগুম্বা মীওই অমনা মাঙজৌন্না চেকশিন-থৌরাংশিং পায়থৎপা দরকার ওইবরা?

**A.**

- কোবিদ-১৯ তিকা থাথ্রবা মতুংদা অদোম য়ামদ্রবা পুং ১:৩০ তিকা থাফম অদুদা পোথাগদবনি।
- করিগুম্বা অদোম হকচাং নুংঙাইরক্তবা থোক্লবদি থ্বাইদগী নকপা হকশেলগী অথঙ-অহৈশিং/এ.এন.এম/অসাদা পাউ পীবীয়ু
- কোবিদকা চুনবা চৎনলোনচৎশিং হায়বদি মাক্স উপ্পা, খুৎ-শা তোইনা হাম্বা অমসুং ফিত ৬ থাপ্পা লৈবা অসিনচিংবা মথা তানা ইন্নবা নিংশিংবীয়ু

Ministry of
Health and Family Welfare
Goverment of India

मेरी सरकार




## কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা তোইনা হংবা ৱাহংশিং

**Q.** কোবিদ-১৯ তিকা থাবদা করি সাইদ-ইফেকশিং লৈগনি?

**A.**

- অশোই-অঙাম থোক্তে হায়বা থঙলবা মতম থক্তদা কোবিদ তিকা থাগনি।
- অতোপ্পা তিকা থরদা সাইদ-ইফেক লৈ হায়বসি অচুম্বনি, মীওই থরদা তিকা কাপফমদা অচম্বা সাইদ-ইফেকশিং হায়বদি লাইহৌ থজিক্তং হৌবা, চৈনা ফাওবা থেংনগনি।
- কোবিদ-১৯ তিকাগা মরী লৈনবা সাইদ-ইফেকশিং য়েংশিন্নবা থৌরাং তৌনবা রাজ্যশিংদা থঙহনখ্রে



## কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা তোইনা হংবা ৱাহংশিং

**Q.** কেন্সর,দাইবেতিস, হায়পরতেন্সনগুম্বা লায়নাশিংগী হিদাক-লাংথকশিং চারিবা কনাগুম্বা অমা কোবিদ-১৯ তিকা থাবা য়াগদরা?

**A.** হায়রিবা লায়নাশিং লৈবা মীওইশিং অসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা কাংলুপনি হায়না লৌরে। মখোয় কোবিদ-১৯ তিকা থাবা দরকার ওই।

**Q.** অনা-লায়য়েংগী থবক তৌরিবশিং/মমাঙ থানা থবক তৌরিবশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং তিকা থাগদরা?

**A.** অহানবা তাঙ্কক্তা তিকা মশিং য়ামদবা মরম্না, মসি অহানবদা মরুওইবা কাংলুপশিংদা কাপকনি। মতুং তারকপদা দরকার লৈবা খুদিংমক কাপকনি।

Ministry of
Health and Family Welfare
Goverment of India



## কোবিদ-১৯ তিকাগী মরমদা তোইনা হংবা ৱাহংশিং




**Q.** তিকা দোজ কয়া থাগনি অমসুং নুমিৎ কয়ানি কান্নরগা কাপকনি?

**A.** মীওই অমনা নুমিৎ ২৮গী কান্নরগা তিকা দোজ অনি কাপকনি।

**Q.** কাপখ্রবা মতুংদা করম্বা মতমদা এন্তিবোদিশিং শেমগৎলক্কনি?

**A.** কোবিদ-১৯ তিকা অনিশুবা দোজ থাখ্রবা চয়োল অনিগী মতুংদা লায়না ঙাকথোক্কবা এন্তিবোদিশিং শেমগৎলকই।